# রাজস্থানগী নুপী মচা অমা চেঞ্জ মেকর এৱার্দ ফংলে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): যুনাইটেদ ষ্টেটসকী ন্যু য়োক্তা পাঙথোকখিবা গোলকিপরস গ্লোবেল গোলস এৱার্দ ২০১৯ য়েন্থোকপগী থৌরমদা রাজস্থানগী পায়ল জঙ্গিদ কৌবী মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবী নুপী মচা অমা চেঞ্জ মেকর এৱার্দফংলে।

ইন্দিয়া মচা অমনা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি ফংবা পায়লনা অহানবনি। রাজস্থানগী হিন্সলা কৌবা অপিকপা খুঙ্গং অমদা পোকখিবী পায়লনা মালেমগী থাক্তা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অমা ফংবা হায়বসি ইন্দিয়াগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাইনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

ন্যু য়োক্তা পাঙথোকখিবা গোলকিপর্স গ্লোবেল গোলস এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা বিল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসনন্না পায়লদা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অসি খুৎশিন্নখি।

কাইলাস সত্যর্থি চিলদ্রেন্স ফাউন্দেসনগী ষ্টেটমেন অমনা হায়খি মদুদি, হিন্সলা কৌবা রাজস্থানগী অপিকপা খুঙ্গং অমদা চাইল্ড মেরিয়েজগী চৎনবী মুথৎনবা থৌরাং লৌখৎখিবগীদমক হিন্সলাদা এৱার্দ অসি পীরকপনি।

রাজস্থানগী বাল মিত্রা গ্রামদা লৈরিবী পায়লনা অতৈ অতোপ্পা হিরম কয়াদসু মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। এৱার্দ অসি ফঙলকপদা মহাক্না কাইলাস সত্যর্থি অমদি সুমেধা কাইলাসকী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা বিল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসনন্না গ্লোবেল গোলকিপর এৱার্দ পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): স্বাছ ভারত অভিয়ান পায়খৎখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা বিল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসনন্না গ্লোবেল গোলকিপর এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে।

লৈবাক্কী মফম পুম্নমক লু নালহন্নবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিবু মায় পাকহনখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা থাগৎপা ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মহাত্মা গান্ধিগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন নকশিল্লকপগা ইরোইনন্না লেমজনিংঙাই ওইবা এৱার্দ অমা ফঙবা হায়বসি ইন্দিয়াগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাইনি। মীওই ক্রোর ১৩০না অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌমিন্নরবদি শীংনবা পুম্নমক মায়োক্নবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

স্বাছ ভারত মিসন মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াখিবা মীওই পুম্নমক্কী মফমদা মহাক্না এৱার্দ অসি কথোক্লে হায়না লাউথোকখি। অসিগুম্বা মখলগী কেম্পেইন অমত্তা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদা চথবা থেংনদ্রি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লৈঙাক্না পায়খৎপা থৌরাং ওইজরবসু মীপুম খুদিংমক্না শরুক য়ারকপা মরম্না থৌরাং অসি মায় পাকপহনবা ঙম্বনি। হৌখিবা চহী ৫গী মনুংদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা টোইলেট ক্রোর ১১ হেন্না শাবা ঙম্লে।

মতম অমদা নুপীমচাশিংনা লাইরিক তম্নিংলবসু স্কুলদা টোইলেট লৈতবা মরম ওইরগা মহৈ তম্বা তোকপগী নুংঙাইতবা থৌদোকশিং অদু অমুক হন্না থোক্লরোই। নুপী অঙাং খুদিংমক নুংঙাই য়াইফনা লৈহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী য়াম্না মরু ওইবা থৌদাংনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লীয়ু ঐচ ও)না লৈঙাক্কী থৌরাং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি স্বাছ ভারত কেম্পেইন মরম ওইরগা মীওই লাখ ৩ রোমগী পুন্সি কনবা ঙম্লে। খুঙ্গংগী লমদমদা লু-নালহনবা ঙম্লবনিনা অঙাংশিংদা থম্মোয়গী লায়না লৈবগী চাং হন্থরক্লে। নুপীশিংদসু বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ফগৎলক্লে।

লৈবাক্কী মফম পুম্নমক লু-নালহনগদবনি হায়না গান্ধিজিগী মঙলান মঙফাওনবা ঙমগদৌরে হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, গান্ধিজিনা খুঙ্গং খুদিংমক লু-নালহন্নবা থৌরাং লৌখৎলমখি। ঙসিদি লৈবাক্কী মফম পুম্নমক লু-নালহনবগী মায়কৈদা খোঙ থাংজিনবা ঙম্লে। থৌরাং অসিনা মীওই ক্রোর কয়ামরুমগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবগা লোয়নন্না য়ু এনগী সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল ফঙবা ঙম্বগী ফিভমদা লৈরে।



# সর্দার পতেলগী মিংদা সিভিলিয়ান এৱার্দ পীরগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌরাং লৌবা মীওইশিংদা খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ পীরগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

সর্দার বল্লভভাই পতেলগী মিংদা পীগদৌরিবা এৱার্দ অসিদা মেদল অমা অমসুং সাইটেসন অমা য়াওরি। তঙাইফদবা মতমদা নত্রগদি এৱার্দ অসি মশা লৈত্রবা মতুংদা পীরোই হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী ষ্টেটমেন অমনা ফোঙদোকখি। মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, এৱার্দ অসিদা শেলগী মনা য়াওরোই। খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ অসি চহী খুদিংগী অহুম্লক্তগী হেন্না পীরোই।

ওক্টোবর ৩১দা সর্দার পতেলগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা নেসনল য়ুনিটি দেগী থৌরমদা এৱার্দ ফংগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোক্কদৌরি। মিনিষ্ট্রি হোম এফেয়র্সনা সর্দার পতেল নেসনল য়ুনিটি এৱার্দ পীনবগী মতাংদা নোটিফিকেস অমা থোকখ্রে। অপুনবগী শক্তম শাগৎপগা লোয়নন্না ইন্দিয়াবু হেন্না মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌবা মীওইশিংদা এৱার্দ অসি পীগদবনি। রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পদ্মা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমগা পুন্না এৱার্দ অসিসু খুৎশিন্নগনি হায়রি।




হিরম অসিগা মরী লৈননা এৱার্দ কম্মিতি অমা প্রাইম মিনিষ্টরনা শেম্লগনি। কম্মিতিদা য়াওগদৌরিবা মীওইশিংদি কেবিনেট সেক্রেটরী, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী টু প্রাইম মিনিষ্টর, সেক্রেটরী টু প্রসিদেন্ট, হোম সেক্রেটরী অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা খনবা শক্নাইরবা মীওই ৪নি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা লন্নাই মীওই নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসন নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনন্না কনাগুম্বা মীওই অমবু এৱার্দ অসিগীদমক নোমিনেট তৌবা য়াগনি। ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমদি মিনিষ্ট্রিশিংনসু নোমিনেট তৌবা য়াগনি হায়রি।

# প্রাইম মিনিষ্টরদা এটেক চথুরকপা য়াই হায়বা রিপোর্ট ফংখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): টেররিষ্টশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ অমদি নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবালদা এটেক চথুনবা হোৎনরে হায়বগী রিপোর্ট অমনা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ফঙবা ঙমখ্রে।

ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট অদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান- তোঙানবা সিটি ৩০ রোমদসু এটেক চথুরকপা য়াই হায়বা ৱাফম য়াওরি। ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, শ্রিনগর, অৱন্তিপোরা, জম্মু, পথানকোট অমদি হিন্দনদা লৈবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী বেজ পুম্নমক্তা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

পাকিস্তানদা বেজ তৌবা জাইস-ঈ-মহমদ কৌবা টেররিষ্ট গ্রুপ অমনা তোঙান-তোঙানবা এয়র বেজ খরদা সুসাইদ এটেক চথুরকপা য়াই হায়বা রিপোর্ট অমা দিফেন্স মিনিষ্ট্রি অমসুং ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ফঙখি।

সেপ্টেম্বর ১০দা ব্যুরো ওফ সিভিল এভিয়েসন সিক্যুরিটিনা ফংখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগীদমক টেররিষ্টশিংনা মফম কয়াদা লমন খুম্বগী থৌওং চথনবা হোৎনরে হায়রি।

ওগষ্ট ৫দা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখ্রবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা টেরিষ্ট গ্রুপশিংনা ইন্দিয়াগী মরু ওইবা মফম খরদা এটেক চথনবা হোৎনরি হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

হন্দত্তা পাকিস্তানদগী পায়শিল্লকপা দ্রোনশিংনা অম্রিটসরগী মফম অমদা মশিং য়াম্লবা এ কে ৪৭ এসোল্ট রাইফলস, গ্রেনেদ অমদি সেটলাই ফোন কয়ামরুম থাদরকখিবগী থৌওং অদু টেররিষ্টশিংনা অচৌবা এটেক অমা চথনবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমনি হায়না থাজনরি।

# পেসিফিক আইলেন্দ নেসন্সকী দোল্লর বিল্লিয়ন ১৫০ লাউথোকখ্র



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): সোল্লর, রিন্যুএবল ইনর্জি অমসুং ক্লাইমেটকা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গ্রুপ ওফ পেসিফিক আইলেন্দ নেসন্সকী ওইনা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৫০গী লাইন ওফ ক্রেদিট লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়া-পেসিফিক আইলেন্দ দিভলপিং ষ্টেটস লিদর্স মিটিংদা শরুক য়ারিবা মোদিনা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎনবগীদমক দোল্লর মিল্লিয়ন ১২ পীরগনি হায়নসু পেসিফিক আইলেন্দগী লৈবাকশিংদা ফোঙদোকখি।

য়ু এন জেনরেল এসেমব্লীগী ৭৪ শুবা মীফম য়াওরিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা পেসিফিক আইলেন্দ দিভলপিং ষ্টেটসকী লুচিংশিংগা অহানবা ওইনা উনদুনা মতেং পাঙবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবনি। মীফম অদুদা ফিজি, রিপব্লিক ওফ কিরিবতি, রিপব্লিক ওফ মার্সল আইলেন্দ, ফেদরেটেদ ষ্টেটস ওফ মাইক্রোনেসিয়া, রিপব্লিক ওফ নাওরু, রিপব্লিক ওফ পলাও, ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেট ওফ পাপুৱা ন্যু গিনিয়া, ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেট ওফ সামোৱা, সোলোমোন আইলেন্দস, কিংদম ওফ তোঙ্গা, টুবালু অমসুং রিপব্লিক ওফ বানুৱাটুগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

# য়ু জি সি অমসুং ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন মুথৎনবগী বিল পুথোক্লগনি




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সি) অমসুং ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন (এ আই সি টি ই) মুথৎলগা হায়র এদ্যুকেসন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঐচ ই সি আই) লিংখৎনবগী বিল কেবিনেট মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নরগনি হায়না হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীদা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা য়ু জি সি এক্ট ১৯৫১ রিপিল তৌরগা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসনগী মহুৎতা অনৌবা কম্মিসন অমা লিংখৎপগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। দ্রাফ বিল অদু পব্লিক দোমেনদা থমদুনা মীয়ামগী অপাম পামদা মত লৌদুনা লাকখি।

ঐচ আর দিগী সিনিয়র ওফিল অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি য়ু জি সি অমদি এ আই সি টি ই লৈহনবগী মহুৎতা হায়র এদ্যুকেসন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তম্বা অমসুং টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্নমক য়েংশিল্লগনি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগা কুপ্না তান্নরবা মতুংদা শেমখিবা দ্রাফ বিল অদু ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নরগনি হায়রি। হৌখিবা জুলাই থাদা য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর রামেস পোখ্রিয়ালনিসাঙ্কনাপালিয়ামেন্টতা হায়খিবনি মদুদি হায়র এদ্যুকেসন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা একাদেমিক ষ্টেন্দার্দ লেপ্পগা লোয়নন্না মথৌ নীংথিন পাঙথোকপা এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা ওটোনোমি পীনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

এদ্যুকেসনগী ফিভম ফগৎহন্নবগ পান্দমদা লৌখৎকদেরিবা থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী থক্তা লৈবা মহৈ তম্ফম লোইশঙ কয়া মরুম পুথোকপা ঙম্লগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক হৌজিক য়ু জি সিনা লৈবাক্কী তোঙান- তোঙানবা লৈবাক্কী মফমদ লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিং য়েংশিনবগী থৌদাং লৌরি। এ আই সি টি ইনা ইঞ্জিনিয়রিং, ফার্মাসি, মেনেমেন্ট অমসুং অতৈ টেক্নিকেল কোলেজশিং য়েংশিনবগী থৌরাং লৌরি। মমাঙদা হায়র এদ্যুকেসন য়েংশিন্নবা পীবা বিল অমা শেমখিবগা লোয়নন্না য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমিক্কা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্নমক ঐচ ই সি আইনা য়েংশিল্লগা য়ুনিভর্সিটিশিংদা শেল থাদবগী থৌদাংনা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরগী মখাদা লৈবা এদভাইজরি বোর্দ অমনা লৌনবগী ৱাফম খন্নবা লৈখ্রবনি।

থৌরাং অসিগী মায়োক্তা তোঙান-তোঙানবা মহৈরোইশিংগী লুপনা অকনবা মমওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রে

# দিন দয়াল উপধ্যাইগী মপোক কুমওন নুমিৎতা ভাইস প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টরনা ইকায় খুম্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): ভারতিয়া জন্না সঙ্ঘ লিংখৎলম্বা দিন দয়াল উপধ্যাইগী ১০৩ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা ভাইস প্রসিদেন্ট এম বেঙ্কয়া নাইদু অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

লৈখিদ্রবালুচিংবাঅসিনাখুন্নাইগী শোথহৌরবা কাংলুপকী মীওই পুম্নমক অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বগী থৌওংবু নৌহৌনা নীংশিংখি। ভাইস প্রসিদেন্ট ভেঙ্কয়া নাইদুনা হায়খি, মীৎয়েং শানবা লুচিংবা অমা ওইরিবা দিন দয়াল উপধ্যাইনা তুংদা থোক্লকপা য়াবা থৌদোক পুম্নমক মাংজৌননা খঙদোকপা ঙমখি। ইনাক খুনবা মীওই খরখক্না নুংঙাই য়াইফনা লৈরগা মশিং য়ান্নবা লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মীওইশিংনা অৱাবা মৈচাক খাঙদুনা লৈবা তারবদি ইন্দিয়াবু চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনবা ঙম্লোই হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখিবা লুচিংবনি।



ভারতিয়া জন্না সঙ্ঘ হৌদোক্লম্বা লুচিংবা অসিনা খ্বাইদগী শোথহৌরবা কাংলুপকী মীওইশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু দিন দয়াল উপধ্যাইবু মতিক ময়াই লৈরবা লুচিংবা অমনি হায়না শীংথাখি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, দিন দয়াল উপধ্যাইনা তোল্ল-তারবা অমদি খ্বাইদগী শোথহৌরবা কাংলুপকী মীওইশিং চাওখৎহন্নবা হোৎরম্মী। লাইরবনা মশিং য়াম্না খুন্দাবা ইন্দিয়াদা শোথহৌরবা কাংলুপকী মীওই পুম্নমক অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা দিন দয়াল উপধ্যাইনা হনবা লৈতনা হোৎরম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯১৬তা উত্তর প্রদেশকী মথুরাদা পোকখিবা দিন দয়াল উপধ্যাইনা ভারতিয়া জন্না সঙ্ঘ লিংখৎলম্বনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES : MANIPUR**
**NOTICE OF OBJECTION**
**Imphal, the 17th September, 2019**

No. P/M/SR/2019: It is hereby notified for general information that an application have been received by this offfice from "Women Initiative for Social Transformation: on 26th August, 2019 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/ registered Association for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15(fifteen) days from the date of publication.

Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of MSR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **T. Pradwipkumar Singh**
Asst. Registrar of Soeicties, Manipur

HL-P/4318/25,26

Ref: BC/HR_JB/012

**JOB VACANCIES FOR BDM AND LAB. TECHNICIAN**

| Sl.no | Post | Skills | Salary | Work Experienced |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Water Quality Technicians (M) | Technical duties, for example inspecting, sampling, monitoring, and testing, and work with both groundwater and surface water sources. | Negotiable | 3 years of experienced on lab. |
| 2 | BDM (M) | Business Development Managers, who will be responsible for lifestyle market penetration in various cities of Manipur. | Negotiable | 3 years of experienced |
| 3 | Field Executives | Skills: 10 +2 | Negotiable | NA |

Application Deadline: September 30th, 2019.Interested candidate should forward their resumes to bioclean.manipur@gmail.com. Applicants are advised to specify the position applied for in the application.

BIO CLEAN (WATER CARE SERVICE)
Chingamathak Yumnam Leikai, Imphal West, Manipur -795001
Email : bioclean.manipur@gmail.com

HL-P/3814/25,26

ঞ
ৱ
১৪

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur
ADMISSION OPEN
Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
Class Starting from: 16th October, 2019
Last Date of Admission 5th October, 2019
CBSE COHSEM
Class X & XII
Sc. & Arts
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
Seperate Experienced Teachers for CBSE & COHSEM from Reputed Schools
Every Year we produced Students with Flying Colours in the Exam
Every Year we produced POSITION Holders as a nature of DELTA
Test Series in same patern of CBSE & COHSEM
Extra Discussion/Application session for the Wicker Students

HL-B/5662/12sept.-12oct.

**থাগৎপা / অহানবদা খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ তঙ্খায় অমা পোল্লপ তৌরগা লৈরকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, পুকচেপ অনীমক নাবা, কময়াদা নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎলগা ঙা-শা চাবা য়াদবা, খুবীগী তাংমুক শাংনা অমাংথোঙদা চোন্থরগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অহানবদা খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা হাকৎচরি-হাকৎচরি তৌবা, খোঙ হামদ্রিঙৈগী মমাঙদা অমাংথোঙগী অকোয়বদু থোৎ-থোৎ লাওরগা চাউখৎপা তৌরগা লৈবা, অয়ূক্কী খোঙ হাম্বা লোইরবা মতুংদগীদি চাউরপ তৌরগা থোৎ-থোৎ লাওবা অদু ফবা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোঙ তঙ্খায় অমা পোল্লপ তৌরগা লৈবা, অদুগা মতম খরগী মতুংদা খূৎবিগী তাংমুক চাউবা অমাংথোঙ মনুংদগী চোন্থরগা লৈবা, চোন্থরগা লৈবা অদুদগী মচুম তারকপা, ফম্বা মতমদা চোন্থরগা লৈবা অদুদগী ঈ তারকপা ফিদা তৈরকপা, হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বসু মতম কুইনা চংলকপা, মতম খরা লৈরগা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ অনীমক নাবা, কময়াদা নাবা, পুক কংখৎলগা নুংঙাইতবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, নোংমা শা কা হেন্না চাশিল্লুবদগী অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইরক্তবা, কোক ইরুমতা লুম্লগা য়াম্না নুংঙাইতবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা, ফম্বী শোনবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/4248/26

*থাগৎচরিবী :* **Kh. Tama Devi,** Khurai

**থাগৎপা / থাগৎপা ফোঙদোকচরি পাইলসকী ওজা ABDUL HAK অমদি পুন্সি চূপ্পা কাউজরোই**

চহী ৭ পাইলস নাবদগী য়াম্না ৱানা খাঙলকখি। হকচাংদা নুংঙাইতবশিংদি :- খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা থুপ্পা, মনুংদা য়াম্না নাবা, মরক-মরক্তা শৌজদা হাকৎচবা, চক-চক থিনবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, কুইনা চঙবা, শৌজ মনুং-মপান্দা পোম্বা অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। মমৈদা ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681দা চৎতুনা তানজবদগী ওজাগী হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলস অমদি অৱাবশিং পূম্নমক মপূং ফানা ফজরে। মতম চূপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4.30pm)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

*থাগৎচরিবা :* **E. Subon Meitei**
Thoubal Athokpam

HL-P/4305/26

TODAY TODAY
BUMPER HOUSIE DRAW
IN AID OF
Women & Children Care Centre & Rural Development
Singjamei Imphal West Dist., Manipur - 795008
Tang 20 da tougani touramba Housie Draw ngasi oina suksoi soidana pangthokcharagani.
Ticket Rate ₹ 1500/-




TIME: 4:00 PM
MINI BUMPER
TICKET RATE ₹ 250/-
PRIZES : ₹ 70,000/-
DATE : 26 SEPTEMBER, 2019
VENUE : SINGJAMEI THONGKHONG COMMUNITY HALL

HL-P/4330/26